# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, DECEMBER 27, 2019 **PAGE 7**




*ৱিজদেন ক্রিকেট্টর ওফ দি দিকেদ লিষ্টতা য়াওখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি*

*দোপিং কেসকা মরী লৈননা নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) না চহী ১ গী অথিংবা থমখ্রবা ওলেম্পিয়ান বোক্সর সুমিত সংৱান*



## গোৱানা চেন্নাইনবু গোল ৪–৩ দা থোইদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে




*চেন্নাই, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এফ সি গোৱানা চেন্নাইন এফ সিবু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

এফ সি গোৱা অমসুং চেন্নাইন এফ সিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী শান্নবগী মিনিট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৬শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা হুগো বোমসনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট অহমেদ জাহৌনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৪১শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোই ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখিবদগী চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা প্রেসর লৈবা হেঞ্জিল্লকখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা জেক্কীচান্দ সিংহনা চেন্নাইনগী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্তুনা পুশিল্লকপা বোল অমদা টিমমেট হুগো বোমসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৫৭শুবা মিনিটতা চেন্নাইনগী শান্নরোই এন্দ্রি স্কেষ্ট্রীনা গোল অমা চনবা ঙমখি।

চেন্নাইননা গোল অমা হন্দাকপা ঙমখ্রবা মতুং মিনিট অনী লৈরগা টিম অসিনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা রাফেল ক্রিভেল্লারোনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–৩ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই হুগো বোমসনা পুশিল্লকপা বোল অমা ফিভম চানা লৈরিবা টিম ফেরান কেরোমিনাসদা পাস পীরকখিবা অদু কেরোমিনাসনা নীংথিনা কলেক্ট তৌরগা চেন্নাইন এফ সিগী গোলকিপর ভিসাল কাইথপু মায়থিবা পীরম্লগা গোল ওন্থোক্তুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই রাফেল ক্রিভেল্লারোনা গোল অমা হন্দাকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি এফ সি গোৱানা ৪–৩ দা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা ওড়িষা এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সি শান্নরগনি।

## রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটিবু ২–১ দা থোইদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে




*শ্রীনগর, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি শ্রীনগরদা লৈবা টি আর সি টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্থু টিম রিয়েল কাশ্মীরনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটি এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাক্তুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

রিয়েল কাশ্মীর অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী মমাঙগী চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকপা ঙমখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী মিনিট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা ফংনদনা লাকখি। মেটচকী ২২শুবা মিনিটতা য়ুম্থু টিম ওইরিবা রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই দানিস ফারুখ ভাটনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গোল শোত্থদুনা লৈরিবা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা খুদোংচাবা হেক ফংবগা রিয়েল কাশ্মীরগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা ইক্কেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখি। অদুবু রিয়েল কাশ্মীরগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজনা লম্বা পীখিবদগী গোল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ২৭শুবা মিনিটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই বাজি অরমান্দনা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা অচৌবা প্রেসর অমা পীশিন্দুনা লাকখি।

গোল শোত্থরিবা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা রিয়েল কাশ্মীরগী মায়কৈদা এটেক কয়া চত্থদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা রিয়েল কাশ্মীরনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল শোত্থরিবা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা হনবা লৈতনা হোৎনরকখিবা অদুগী মহে ওইনা মেটচকী ৪৮শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই সুহেল পাসা সিয়েদনা গোল অমা চনবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী রিয়েল কাশ্মীর অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি য়ুম্থু ওইরিবা রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটি এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা চেন্নাইগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

ঙসি রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটিবু মায়থিবা পীখিবা অসিনা টিম অসিগী টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা মায় পাকপা ওইরি। রিয়েল কাশ্মীরনা কোলকটাগী জাইন্ট ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং মণিপুরগী ক্লব টিদিম রোর্দ এঠলেটিক্স য়ুনিয়নগা শান্নখিবা মেটচশিংদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখিবনি।

হেরো আই লীগকী থা অসিগী ২৮দা শান্নগদবা লীগ মেটচ অমদা চর্চিল ব্রদর্স অমসুং ইন্দিয়ান এরোজ লম্বা তৌনরগনি।

## কোহলি ৱিজদেন ক্রিকেট্টরগী দিকেদ লিষ্টতা য়াওখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ৱিজদেন ক্রিকেট্টরগী দিকেদ লিষ্টতা য়াওখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা টেষ্ট কেপ্টেন ওফ দি দিকেদকী মীং থোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রবনি। ৱিজদেন ক্রিকেট্টর ওফ দি দিকেদকী লিষ্টতা সাউথ অফ্রিকাগী দেল ষ্টেন, এ বি দি ভিল্লিয়র্স, ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিভ স্মিথ অমসুং নুপীগী ওল রাউন্দর ইল্লিসে পেরিসু য়াওরি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা ভিরাট কোহলিনা চহী ১০গী মনুংদা ইন্টরনেসনেল রন ৫৭৭৫ হেন্না লৌবা ঙমখি। হৌখিবা দিকেদ অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা টেষ্টতা পুন্না রন ৭২০২ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী অপুনবা রন অসিদা সেঞ্চুরি ২৭ য়ৈবা ঙমখি। কোহলিনা ৱান দে ইন্টরনেসনেলদা রন ১১,১২৫ অমসুং টি–২০ দা রন ২৬৩৩ লৌবা ঙমখিবনি।

কোহলিনা ফোরমেট অহুমক্কী এভরেজদা ৫০ হেনবা ঙম্লি। মহাক্না পুন্না সেঞ্চুরি ৭০ লৌবা ঙমদুনা রিক্কী পোন্টিং (৭১) অমসুং সচিন টেন্দুলকর (১০০) দগী হন্থরগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ভিরাট কোহলিনা রন ২১,৪৪৪ লৌদুনা টোপ স্কোররশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরি। ইন্দিয়াগী টেন্দুলকরনা রন ৩৪,৩৫৭ দা অহানবা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী রিক্কী পোন্টিংনা রন ২৭,৪৮৩ দা অনীশুবদা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী এরেনাদা অসামগী বোক্সর মশীং য়ামখৎলকপদা নুংঙাইবা ফাওই ঃ যমুনা



*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়াগী বোক্সিং এরেনাদা অসামগী বোক্সর মশীং য়ামখৎলকপগী মমি তারকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়না ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবী নুপী বোক্সর যমুনা বোরোনা হায়খ্রে।

মশাগী চহী ২২ শুরবী অসামগী নুপী বোক্সর অসি সোনিতপুর দিষ্ট্রিক্তকী ধেকিয়াজুলি খুঙ্গংদগীনি। যমুনা বোরো হৌরকপদা ৱুসু শান্নরোই অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক কোচ জোন স্মিথ নরজারেগী মখাদা কোচিং চত্থরকখিবনি।

২০০৯ দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ্তা যমুনা বোরো শরুক য়াখি। মতম খরা লৈরগা বোক্সিং মশান্নদা খোংদারক্লবা মতুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া রিজনেল সব সেন্টর গুৱাহাটিনা সেলেক্সন তৌখিবনি।

বোক্সিং মশান্না অসিগী ইলাইট টিমদা যমুনা য়াওবা ঙমখি। ৫৬শুবা বেলগ্রেদ ৱুমেন'স বোক্সিং টুর্নামেন্টতা যমুনা বোরো ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবদা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৯ গী মে ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ইন্দিয়ান ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা যমুনা বোরোনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমি ফাইনেলদা মণিপুরগী মিনা কুমারী মাইস্নামবু মায়থিবা পীরমখি অদুগা ফাইনেলদসু মণিপুরগী অতোপ্পা বোক্সর ৱাই সন্ধ্যারানীবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী ৫৪ কেজিদা শান্নরিবী যমুনা দেবীনা ২০১৯ দা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা প্রসিদেন্ট কপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চহী অসিগী ওক্টোবর ৩ দগী ১৩ ফাওবা রুশিয়াগী সিটি উলান উদেদা পাঙথোকখিবা আইবা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবা অসামগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা নুপী বোক্সর অমনি।

যমুনা বোরোদা নত্তনা অতোপ্পা অসামগী বোক্সর ভগ্যাবতি কচারি অমসুং লোভলিনা বোরগোহেনসু ইন্দিয়াগী বোক্সর এরেনাদা য়াম্না চাওনা মীৎয়েং থল্লিবা বোক্সরশিংনি।

যমুনা বোরোনা ফোঙদোকখিবদা মথং চহীগী জনুৱারী ১০ দগী ২২ ফাওবা অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস অসিনা ষ্টেট অসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংনা য়াম্না চাওনা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। বোক্সরশিংনা খেলো ইন্দিয়া ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা অতোপ্পা এঠলেটশিংদা থৌনা অমা হাপহল্লে হায়না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট যমুনা বোরোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাকখ্রে, আর্সনেল অমসুং বোর্নমাউথ দ্রো চৎখ্রে




*লন্দন, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) ঃ*
ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাকখ্রে, আর্সনেল অমসুং এ এফ সি বোর্নমাউথ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং ব্রাইটন এন্দ হোভ অলবিওননা শান্নখিবা মেটচ অসি টোটেনহাম হোটস্পরনা ২–১ দা থোইবা ঙমখি। টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা মতম কুইনা গোল একাউন্ট হাংবা ঙম্নদনা লাকখি।

মতম কুইনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৭শুবা মিনিটতা ব্রাইটন এন্দ হোভ অলবিওনগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই এদাম ৱেবষ্টরনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গোল শোত্থরিবা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা ব্রাইটন এন্দ হোভ অলবিওনগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা ইক্কেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখিবশিং অদু অরেম্বা তাদুনা লাকখিবদগী ০–১ দা শোত্থদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনিটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কেপ্টেন হেরি কেননা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনিটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দেলে আলিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখ্রবসু অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অসি টোটেনহাম হোটস্পরনা ২–১ দা মায় পাকখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা আর্সনেল অমসুং এ এফ সি বোর্নমাউথ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনিটতা এ এফ সি বোর্নমাউথকী শান্নরোই দান গোসলিংনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৬৩শুবা মিনিটতা আর্সনেলগী শান্নরোই ওবামেয়াংনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ১–১ দা দ্রো চৎখি।

## নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা বেঙ্গলগী আয়ুসি পোদ্দরনা সিলভর মেডল ফংখ্রে

*ভোপাল, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) ঃ*
মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা চত্থরিবা ৬৩শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সুট্টর মিটর ৫০গী থ্রি–পোজিসন জুনিয়র ৱুমেন'সকী ইভেন্টতা সিলভর মেডল লৌখ্রে।

নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱুমেনগী মিটর ৫০গী থ্রি–পোজিসন রাইফল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা বেঙ্গলগী সুট্টর আয়ুসি পোদ্দরনা পোইন্ট ৪৫১.১ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা হরিয়ানাগী সুট্টর নিসচালনা পোইন্ট ৪৫১.৯ স্কোর তৌদুনা লৌবা ঙমখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা মধ্য প্রদেশকী সুট্টর ৪৩৬.১ স্কোর তৌদুনা ফংখি।

বেঙ্গলগী সুট্টর চত্থরিবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেট অসিদগী মথন্তা শরুক য়ারি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা সুট্টর ২৫০ না লম্বা তৌনরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, চত্থরিবা ৬৩শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সুট্টর আয়ুসি মিটর ১০গী এয়র রাইফল জুনিয়রদা গোল্ড অদুগা সেনিয়রদা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৮১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | L | L | E | | O | R | E | S | | S | T | O | M | P |
| M | E | A | T | | D | E | M | I | | M | O | V | I | E |
| C | A | S | H | | E | X | P | E | R | I | M | E | N | T |
| E | V | E | N | T | S | | E | V | I | L | | N | E | E |
| E | E | R | I | E | | P | R | E | S | E | T | | | |
| | | | C | A | M | E | O | | E | R | A | S | E | D |
| T | U | B | | R | O | A | R | S | | | L | U | A | U |
| S | P | O | N | S | O | R | | A | S | S | E | R | T | S |
| P | O | R | E | | | L | O | G | I | C | | E | S | T |
| S | N | E | E | R | S | | P | A | P | A | S | | | |
| | | | D | E | E | P | E | N | | L | O | C | A | L |
| S | T | A | | S | C | A | R | | G | E | N | E | V | A |
| P | E | R | P | E | T | R | A | T | E | | A | D | E | S |
| A | L | I | E | N | | I | T | E | M | | T | A | R | T |
| S | L | A | N | T | | S | E | E | S | | A | R | T | S |

SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL
Recognised by the BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII
With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.
Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal
SL-5587/6 Dec.+ 15 Days